# ওলেম্পিক্তগী ফিল্ম ষ্টার ওইরকখিবী Sophie Nelisse
## (জিম্নাষ্টিক্সকী শান্নরোয় অমা ওইরম্বদগী ফিল্মদা লাকখিবী)

- নানি



মীনা নীংবনা অমা লাইনা তম্বনা অমা হায়বদুগী অচুম্বা খুদম অমা ওইরবী Sophie Nelisse ঙসিদি মমিং লৈখৎলক্লিবী ফিল্ম এক্ট অমা ওইনা শাফোংলক্লে। চয়োল অমগী মনুংদা পুং ৩৫ জিম্নাষ্টিক্সকী প্রেক্টিশ তৌদুনা অমুক্তংদি ওলেম্পিয়ন অমা ওইগে হায়বগী মঙলান্দা মশাগী চহী তরেৎ শুরকপদগী কন্না হোৎনজরকখিবনি। অদুবু ওলেম্পিক্কী মঙলানদি কায়খ্রে। অদুবু মালেমগী ওইনা মশক নাইরক্লিবী ফিল্ম এক্টর অমদি ওইরে। The Book Thief হায়বা ফিল্ম অমগী audition য়াওনবগীদমক মঙোন্দা ওফর লাকপা মতমদুদা মহাক চুম্নগী চাংয়েং অমা ওইনা য়াওরুবনি। অদুবু মহাক ফিল্ম অসিগীমক মেইন রোল লৌনবা খল্লকখি। স্ক্রিপ্ট অদুনা পীরিবা রোল কেরেক্টর অদু মহাক্না য়াম্না পামজখি, মসিনা মরম ওইরগা মহাক্না পামজবা জিম্নাষ্টিক্স থাদোকখি। কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্তা মহাক য়াওনবগী তাঞ্জা লৈরম্লবনি অদুবু অনৌবা ফিল্ম এসাইন্টমেন্ট অদুনা মরম ওইরগা মহাক এক্টিংলোমদা কন্না মায় ওনশিনখি।

ওইবা Wayne না নুপামচা জোনাসপু য়েংনীংদে। অদুনা মখোয়গী নুংশি মরী অসি থদৎনবা হোৎনৈ। নোংমা জোনাসনা Casey গা উনবা লাকপদা মপা Wayne না Casey বু তমথিনা ফুবিখি। মদুদা জোনাসনা চঙশিন্দুনা খাম্লুবদা Wayne না Jonas পুসু হাৎলগে য়ৌনা তেমশিংদুনা তমথিনা ফুবিখি। নোংমা Wayne না ফত্তবা মীওই খরগা মুক্লদুনা লৌরকপা য়াম্লবা শেনফম অমা জোনাসনা লোম্না লৌরগা Casey গা লোয়ননা ময়ূমদগী চেল্লকখি। মখোয়গী মতুং ইন্দুনা তান্নরক্লিবা পুলিসতগী নাম্থোক্ল বা অতোপ্পা মফম অমদা চৎনবা হোৎনবদা মখোয় অনীবু Wayne না ফাখি। মমৈথংদা Casey না মপাবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলগা Jonas কা পুন্সি লম্বী চৎমিন্নখিবগী ৱারীনি। ফিল্ম অসিদা Sophie না লৌরিবা রোল Casey গী ঈং-তপ্পা, মোং-হাদবা অমদি চীং লেম্বা কয়া অদুনা ফিল্ম অসিগী থোইদোকপা মগুণ অমা হাপ্পা ঙম্মী।

চৎলিবা কুমজা ২০১৭ অসিগী মনুংদা ফিল্ম মরি রিলিজ তৌখি। ফিল্মশিং অদুদি - The History of Love, Exode, Wrost Case, We Get Married, The Kid Detective ni. 2018 গী প্রোজেক্ট ওইনা ফিল্ম অনী লৈরি মদুদি - Les Colories অমদি Close হায়বা অসিনি। Toronto International Film Festival গী য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমা ওইরিবা রাইজিং ষ্টারসগীদমক অনৌবা এক্টর মরি খনবদা Sophie Nelisse য়াওখি। অতৈ এক্টরশিংদি - Grace Glowicky, Jared Abrahamson অমদি Mylene Mackay নি। অঙাং য়াম্না ওইরিবী Sophie গী হৌজিক লৈরিবা থাক অসিদগী হন্থদনা মাঙদা চঙশিনবা তারবদি নোংমদি মালেম অসিদা খ্বাইদগী মশক নাইবী এক্ট্রেস অমা ওইরক্লবগী মরম কয়া লৈরি। ক্লোজ হায়বা অনৌবা প্রোজেক্ট অমা ওইনা শুটিং চথগদৌরিবা ফিল্ম অসি মোরোকো অমদি লন্দন্দা অয়াম্বা শুটিং লোকেসন ওইনা নমগদৌরি। ফিল্ম অসিগী মতুংদদি মহাক মতম খরা অনৌবা ফিল্মগী এসাইন্টমেন্ট লৌদনা পোষ্ট সেকেন্দরি এদ্যুকেন মখা তমথগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। Sophie য়াম্না চম্না হিংজবা পাম্মী, ফাউবা পামজদে হায়না exclusive interview অমদা ফোঙদোকখি। মহাক্না লোয়ন-তিন্নরকপা মমান্নবী মমান্নবা অমত্তনা ঙসিদি মহাকপু Sophie দি ফাউরবনি হায়না ইন্থোকপীবদৌনা তৌরে হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।


Sophie Nelisse কুমজা ২০০০গী মার্চ ২৭তা কনাদাগী Windsor, Ontario হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মশাগী চহী ৪ শুরকপদা Montreal দা ময়ূম হোংদুনা লৈররে। হৌজিক মশাগী চহী ১৭কা থা ১০খক্তা ঙাইরি। মশাগী চহী ১০ শুরকপদা ফিল্মদা খোঙদারকখি। মহাক্কী অহানবা ফিল্মদি Monsieur Lazhar হায়বা অসিনি। মসিগী মতুংদা মমিং লৈরবা নোভেলিষ্ট Markus Zusak কী The Book Thief হায়বা নোভেল অদুদগী এদাপটেসন তৌবা The Book Theif হায়বা ফিল্ম অসিদা শরুক য়ারকখি। ফিল্ম অনীমক Sophie গীদি মায় পাকপনি হায়না লৌবা য়াই। অহানবা ফিল্ম অসিদা মহাক Genie অমদি Jutra Award for Best Supporting Actress কী মনা ফংবা ঙমখি। মশাগী চহী ১২ শুরকপদা কুমখিবা The Book Thief হায়বা অসিদা অমুক হন্না এৱার্দ মরি ফংখি। ফিল্ম অসিদা - Young Artist Awards for Best Leading Young Actress in a Feature Film, Phoenix Film Critics Society Awards for Best performance by a youth in a lead or supporting role (female), Hollywood Film Festival award for Spotlight, Satellite Award for Breakthrough Performance হায়রিবশিং অসিনি। ফিল্ম অসি ৱর্ল্ড ৱার টুগী মতমগী কন্সেন্ত্রেসন কেম্প অমগী মনুংদা বেজ তৌবা ৱারীনি। Sophie দি অঙাং ওইবা মরম্না সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী ৱার অমদি থৌদোকশিংগী মরমদা থোইদোক্না খঙবা লৈতে। অদুবু মহাক্কী হোৎনবা কনবা কয়াদুনা অহল ওইরবা ৱর্ল্ড ৱার টুগী থৌদোকশিংগী মরমদা খঙবা মীওই কয়াগী মনাক্ত চৎতুনা ৱারী ৱাখোঙ হংই। লোয়ননা মতমদুগী ফিল্ম কয়া য়েংদুনা মহাক্কী কেরেক্টর অদু মপূং ফানবা হোৎনখি।

Mean Dream হায়বা ফিল্ম অসিসু Cannes Film Festival গী দিরেক্টর ফোর্টনাইট কুমজা ২০১৬তা রিলিজ তৌখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। ফিল্মসিগী শল্লপ্পা ৱারীদি - নোর্থ অমেরিকাগী মনুংদা লৈবা গ্রেট লেক্কী ময়াদা লৈবা অচিকপা খুঙ্গং অমদা থোকপা থৌদোক্তা য়ূন্স্ফম ওইবা ৱারীনি। জোনাস মতম অয়াম্বদা মপাগী মতেং পাঙদুনা লৌবুক্তা থবক শুদুনা লৈজবা ইচম চমজবা মীশক অমনি। মখোয়গী neighboring দা নৌনা য়ূম হোংলকপা Wayne গী মচানুপী Casey গা নুংশি মরী লৈনৈ। Police Sergeant

Sophie গী মচিন মনাও অনীনি। মহাক্কী মখা থাবা মনাও নুপী Isbella Nelisse সু এক্টিংগী লমদা মায় পাক্না চঙশিল্লক্লি। মচিন মনাও অনীনা পূন্না মামা হায়বা হোরর ফিল্ম অমদা কুম্মীন্নখি । Sophie গী মমা অসি হান্না স্কুল টিচর অমা ওইনা লৈরম্মী। মচানুপীনা ফিল্ম কুম্বা হৌরকপদগী মহাক্কী থবক অদু থাদোকখ্রে, হৌজিক্তি মচা অনীগী মতুং ইন্দুনা সপোর্ট তৌরি। ময়াম্না Sophie গী মমা অসি Talent-master হায়না খঙনরে। Sophie Nelisse য়াম্না নহা ওইরি, মহাক্কী চৎকন্দবা খোঙচৎ মাঙদা শাংনা লৈরিবা অমনি। অদুগীসু মথক্ত মহাক হীরম অসোমদগী খুবৈ অমত্ত হেন্দোক্লরোইদবা অমা ওইবনা হেন্না মায় পাকপী মলেমগী এক্ট্রেস অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাক্কী ফিল্ম The Book Thief তসু মহাক অসি ওস্কারগী নোমিনেসন তৌনবগীদমক কন্না খন্নখিবা লৈখি। অদুনা মহাক্কী তুংদা লাক্কদৌবিরবা ফিল্মদা শোয়দনা মমসিগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।




## উতোং চাক করম্না থোংগদগে



**চঙগদবা পোৎচঙ:**

- নাকন অনীমক ফূনবা ৱা মকক অমা।
- মৈ হৌগৎপা য়াগদবা অহাঙবা মফম।
- ৱাগী উতোং অদু তঙ্খায় য়ৌনা হাপ্পা চনগদবা চাংদা চেং খরা।
- য়েনশা নৎত্রগা ওকশা অয়াইবা খরা (লৈত্রগনা শেন্বদা ঙাইরিবা ওকশা নৎত্রগা য়েনশা শীজিন্নবু য়াই)।
- এলাইচি
- উশিংশা মচেৎ অমা।
- তিল্হৌ অচৌবা অমা (মকু খোল্লগা কূপ্পা শোইরবা)
- চনম অমদি শীং অশুবা চামচ অনী ।
- লা মচেৎ অমা।
- থুম খরা

**শেম শাবগী মওং :**

- চেঙ শেংনা চামথোল্লগা পুঙ্খায়মুক তীংদুনা থল্লো।
- ৱা মকক অমদি লা য়াওদনা অতৈ পোৎলমশিং পাত্র অমদা হাপ্লগা পুল্লপ তোৎলো।
- পোৎলমশিং অদু চেংগা পুল্লপ তোৎশিন্নরো অমসুং উতোংগী মমায় নাম্ম ফাৎতোল্লগা হাঞ্জিল্লো।
- ঈশিং হৈজিল্লো (উতোং অদু ইঞ্চি ১ গী চাংদা হাঙহনগদবনি।)
- লা-না কূপশিল্লগা উতোংগী অহোবা মমায় মেনশিল্লো অমসুং মৈদা পুল্লপ লৌশিনখ্রে।
- উতোং অদু মচু ওল্লক্লবা মতমদা মৈনুংদগী লৌথোক্লো অমসুং মমায় ফাৎতোল্লগা ফোঙ—ফোঙবা শানা চাবা য়ারে।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ



## পীশুম কেলহন্দনবগী অচম্বা পাম্বৈ

মশক ফনা ফজরবসু পীশুম য়াওদ্রবদি য়েংবদা ইনুং নুংঙাইতে। তোঙান-তোঙানবা উনশাগী খুদোংচাদবা কয়ানা পীশুম কেলহন্নবগী মরম ওইহল্লি।



এটোপিক দর্মাটাইটিস হায়না খঙনবা উনশা ইকং-কংশিল্লকপগা লোয়ননা কুরোন হুরকপদগী পীশুম কেল্লকই। লুপৌ লৈবা, হীক লৈবা অমদি ফঙ্গেল ইনফেক্সন্নসু শম কেলহল্লি।

নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ অরথ্রাইটিস এন্দ মস্কুলোস্কেলেটল এন্দ স্কিন দিজিজেজ (এন আই এ এম এফ) গী রিপোর্ট মতুং ইন্না এলোপেসিয়া এরিয়াটা কৌবা লায়না অমনা হকচাংগী শম পুম্ন মক হেনহল্লকই হায়রি। শমজাবী হায়নসু খঙনবা ওটোইম্যুন দিসওর্দর অসি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টমনা হ্যের ফোলিকলদা এটেক তৌবদগী ওইরকপনি। মসিনা কোক, মায়, পীশুম য়াওনা হকচাংগী মফম অমদা হেক্তা শম কেলহল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্‌থ (এন আই ঐচ) না হায়খি, কোক্কী শমখোঙদা টিনিয়া কেপাইটিস কৌবা ফঙ্গেল ইনফেক্সন মখল অমা তৌবগুম পীশুম নৎত্রগা মায়দা হৌরিবা শম্নাশিংগী শমখোঙদসু ফঙ্গেল ইনফেক্সন তৌরকপা য়াই। মসিনা শম্না পুম্নমক কেল্লক্লবগী মরম ওইহল্লকই। শমখোঙ মরক্তা অপীকপা হীক মখল অমা লৈবা তারবসু মরেক-মহাউ পুম্নমক চাথোকখিবদগী শম কেলহল্লি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ পিট্সবর্গ মেদিকেল সেন্টর (য়ু পি এম সী) না ফোঙদোকখি। ভিটিলিগো অমদি ল্যুপস এরিথমাটোসস কৌবা ওটোইম্যুন দিসওর্দর মখর খরনসু শম অমদি পীশুম কেলহল্লি।

কেনখ্রবা নৎত্রগা ফোয়দোকখ্রবা পীশুমগী শম হৌগৎলকপদা মতম শাংনা চঙই। "এয়ুরবেদা: এ হোলিষ্টিক এপ্রোচ টু হেল্‌থ" কৌবা লাইরিক অমা রিনিটা মলহোত্রানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কেষ্টর ওইল তৈরগা মসাজ তৌবা মতমদা পীশুম কেনবা ফৈ অমসুং থুংনা শাংগৎলকই হায়রি। পীশুম অনীমক্তা কেষ্টর ওইল খরা তৈরগা মিনিট ৩০ রোম মসাজ তৌরবা মতুংদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা চামথোক্কদবনি।

শঙ্গোম তৈশিনবা মতমদা কেনখ্রবা পীশুমগী শম্নাশিং থুনা হৌগৎলকই হায়রি। লশিং মচেৎ অমা শঙ্গোমদা লূপ্লগা পীশুম মথক্তা সেকেন্দ ১০ রোম থমগদবনি। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা থাদোল্লগা মোইচরাইজর অমা তৈশিনবা য়ারে।

"দ কমপ্লিট বূক ওফ অয়ুর্বেদিক হোম রেমিদিজ" কৌবা লাইরিক অমগী মতুং ইন্না চম্প্রা মকুম তকখায়রগা য়ুবী থাউ খরা য়ানশিল্লবা মতুংদা নুমীৎ খুদিংগী তুল্লমদাইদা তৈগদবনি। মসিনা কেনখ্রবা পীশুমগী শম্নাশিং হৌগৎহল্লকই।

## মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

### ৱিনোনা রাইদর



কুমজা ১৯৭১ গী ওক্টোবর ২৯ দা মিনেসোটাগী ওল্মষ্টেদতা অমেরিকন এক্ট্রেস ৱিনোনা রাইদর পোকখি। অহানবদা মহাক্কী মমিং ৱিনোনা লোরা হোরোৱিজ কৌই। অপোকপা মাইকল হোরোৱিজ, মমিং চৎলবা অইবা, এদিটর, পব্লিসর অমদি বুকসেলরনি। অপোকপী সিনথিয়া পালমরসু অইবী অমা ওইবদা নত্তনা ভিদিও প্রদ্যুসর অমদি এদিটরসু ওই। মখোয়গী অশেংবা হৌরকফমদি রোমানিয়া অমসুং রসিয়ানি।

কুমজা ১৯৭৮ দা রাইদরনা শুপ্নগী চহী তরেৎ শুরকপদা মখোয়গী ইমুং অদু কেলিফোর্নিয়াগী মেন্দোসিনো কাউন্টিদা হোংলকখি। মফমদুদা মখোয়না ইংখোল অমখক্তদা অতোপ্পা ইমুং তরেৎকা পূন্না লৈমিন্নরম্মী। খরা তাম্বা, চাওখৎপগী মমি শাল্লিবা মফম ওইবনা মৈ অমদি টেলিভিজনগী খুদোংচাবা ফংলমদে। মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা রাইদরনা লাইরিক পারম্মী।

নোংমা মহাক্না মশাগী চহী ১০ শুরকপগী অদুৱাইদা মমানা সিনেমা খরা য়েংহনখি। মতমদুদগী মহাক্না এক্টিংদা থৱায় য়াওবা হৌরক্তুনা হীরম অসিদা খোঙদারগে হায়না চপ য়ুংনা খনখি। মতম খরা লৈরগা মখোয়গী ইমুং অদু কেলিফোর্নিয়াগী পেটাল্যুমাদা অমুক ময়ুম হোংবা তাখি। অহানবদা মহাক কেনিলৱর্থ জুনিয়র হায় স্কুলদা মহৈ তমখি। কুমজা ১৯৮৩ দা মশাগী চহী ১২ শুরকপদা রাইদরনা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা সেন ফ্রান্সিস্কোগী অমেরিকন কঞ্জর্ভেটরি থিএটরদা এক্টিং তমখি। মহাক কুমজা ১৯৮৯ দা পেটাল্যুমা হায় স্কুলদগী গ্রেজুএসন লোইশিনখি। মহাক্না ইহান-হান্না কুমখিবা ফিল্মদি লুকাস (কুমজা ১৯৮৫) নি। ফিল্মদুদা মহাক রোল মচা অমখক ফংখি। রাইদরনা কূমখিবা অতৈ ফিল্মশিংগী মনুংদা মমিং পনবা য়াবদি "স্কৱার দান্দ", "বীটল জুইস", "হীদরস", "মরমেদ", "নাইট ওন অর্থ", "দ্রাকুলা", "দ হাউস ওফ দ স্পিরিটস", "দ এজ ওফ ইনোসেন্স", "রিয়েলিটি বাইটস", "লিট্টল ৱুমেন", "লিজা'স রাইভেল", "বোইজ", "এলাইন:রিসরেক্সন", "গর্ল ইন্টরেষ্টেদ", "ওটম ইন ন্যু য়োর্ক", "লোষ্ট সোল", এ স্কেন্নর দার্কলি", "সেক্স এন্দ দেথ", "দ প্রাইভেট লাইভস ওফ পিপা লি", "ব্লেক স্বান", 'ষ্টে কুল", "দ দিলেমা", "দ লীমেন", "ফেঙ্কনৱিনি" অমসুং "হোমফ্রন্ট" অসিনচিংবনি।

তৌথোরকপা খুদিং পকচবী এক্ট্রেস অসিনা নুংশি-মরী লৈনরকখিবা মীওইশিংদি এক্টর জোনি দেপ, দেভ পর্নর অমসুং মেট দেমননি। কুমজা ২০০১ দা দুকানদগী পোৎ য়েপ্পী অমসুং দ্রগ শীজিন্নৈ হায়বগী মরালদা এক্ট্রেস অসি ফারগা ট্রাইয়েল চৎথখি। মরাল লৈরম্বদগী ফাসন থীহনখিবগা লোয়ননা চৈরাক ফাওবা ফংখি।

## থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম




- মালেমদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুমথোকপগী অমরোম ফেসবূক একাউন্ট লৈ। নুমীৎ খুদিংগী এক্টিভ ওইনা ফেসবূক শীজিন্নবা মীওই বিলিয়ন ১.০৪ রোম লৈ। ফেসবূক শীজিন্নরিবা মীওই চাদা ৯০ রোম মোবাইল ফোন্দগী শীজিন্নবনি হায়রি।
- কুমজা ২০০৪ গী ফেব্রুৱারী থাদা অহানবা ওইনা ফেসবূক থোরকখি। অহানবদা কোলেজ তম্লিবা মহৈরোয়শিংখক্তনা শীজিন্নরম্বদগী কুমজা ২০০৬ তা মশাগী চহী ১৩ হেল্লবা মীপুম খুদিংমক ফেসবূক শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি। তশেংবদি ফেসবূকনা জিমেল (কুমজা ২০০৪ গী এপ্রিল), য়ু ট্যুব (কুমজা ২০০৬), রেদিট (কুমজা ২০০৫), ত্বিটর (কুমজা ২০০৬), স্পোটিফায় (কুমজা ২০০৮) অমসুং হ্বাটস এপ (কুমজা ২০০৯) দগী হান্না পুথোরকই।
- ফেসবূক শীজিন্নরিবা অপুনবা মীওইগী চাদা ৫৮ নুপীনি। চাদা ৪২ না নুপানি। সোসল নেটৱার্ক খুদিংমক নুপীনা মশীং হেন্না শীজিন্নৈ। ত্বিটর শীজিন্নবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৬৪ নুপীনি। সোসল মীদিয়া শীজিন্নবা অপুনবা নুপী মশীংগী চাদা ১৮ না নুমীৎ খুদিংগী ষ্টেটস অপদেট তৌই।
- অয়াম্বা মতমদা নুপানা মসুং-মমান্নবা নুপাদগী পাউতাক লৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা নুপীদগী ওইনা পাউতাক লৌবা পাম্মী।
- মীওইবা অমদা সেকেন্দ খুদিংগী অনৌবা সেল মিলিয়ন ২৫ শেমগৎলকই।
- খুনিং ৱাংবা খোঙউপশিং অহানবদা নুপানা তোংনবগীদমক পুথোরকখিবনি। খুনিং ৱাংবা খোঙউপ তোংলবদি নুপা থোকই, চিং-লেম্মী হায়না লৌনরম্মী।
- কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা নোর্থ কোরিয়াগী ওজা পুম্নমক একোদিয়ান খোংবা হৈরম্মী। মতমদুদা ওজা ওইনবগী সার্টিফিকেট লৌনবগীদমক একোদিয়ন খোংবগী চাংয়েং হান্না মায় পাকপা মথৌ তারম্মী।
- পুয়েটো রিকোদগী ভেলেজ কেম্পোজ কৌবা মীওই অমা খুউ অনীমক ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা থেক্তোক-থেকচিন তৌবা ঙম্মী।
- য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ১০শুবা প্রসিদেন্ট জোন টাইলর কুমজা ১৭৯০ দা পোকখি। মহাক্কী মশুনুপা অমা হৌজিকসু হিংলি।
- নোর্থ কোরিয়া অমসুং নোৱেগী মরক্তা শুপ্নগী লৈবাক অমখক লৈ।



HL-B/4281/16-31Dec.(Alt.)